ꯊꯥꯡꯖ, ꯃꯦ ꯲꯹, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯶꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, মে ২৯, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৬৩শুবা মশীং

# হেদ ওফ দিপার্টমেন্টকী থবক

## লম্বোইবদা শমজেৎ পীবগী থৌওং চথরোইদবনি

ষ্টেটসিদা লীংলিবা লৈঙাক্কী লোয়শঙ পূন্নমক মীয়ামগীনি। লোয়শঙ অমগা অমগা খেন্নবগী মতুংইন্না মখোয়না মীয়ামগীদমক পাঙথোক্কদবা থবক থৌরমশিং, হৌদোক্তুনা পায়খৎকদবা মীয়ামগী য়াইফ-থৌরাংশিংদা খেন্নজবগী ৱানি। লৈবাক মীয়ামগীদমক তোঙান-তোঙানবা থৌদাং লৌনরিবনি। শুপচিন্না য়েংবদা মণিপুরগী লোয়শঙ পূন্নমক মীয়ামগীদমক লীংলিবনি। ষ্টেটসিদা লৈরিবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী লোয়শঙশিংসু অদুমঙাই। চপ মান্নে, ষ্টেটসিগী চীং অমসুং তমগী হায়বা নৎত্রগা রুরল-অর্বান হায়বা খায়দোক্তনা মাগী মাগী লোয়শঙশিং অদুগী লৈজরিবা মীয়ামগী পান্দমশিং অদু মতোল লোম্না পাঙথোক্তুনা মীয়ামদা লোয়শঙগী মরেক-মহাউ ফংহন্নবা হোৎনরিবা ঙাক্তনি।

ষ্টেটসিগী লৈরিবা সিভিল পুলিসকী মতাংদা হায়রগসু দিপার্টমেন্টসিগী রেঙ্ক এন্দ ফাইলদা লৈরিবা পর্সনেল পূন্নমক্না লো এনফোর্সিং এজেন্সি অমগী চপ চাবা দ্যুটি পাঙথোক্লিবনি। লো-এন্দ-ওর্দর মেন্টেন তৌরিবনি। মীয়ামগী মমল য়াম্লবা পুন্সি অমসুং মখোয়গী মরল মথুমশিং ঙাক্লিবনি। হেল্থ সর্ভিসেসকীসু অদুমঙাই হৌজিক মায়োক্নরিবা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ অসিনা নাহল্লকপগী মশীং হন্থহন্নবা, লায়নাসিদগী ঙাকথোক্নবা, নাহল্লক্লগনা পেসেন্টশিংগী থৱায় কলহৌনবা য়াপঙদনা ওইরবসু চিকহৌগনি হায়বদু য়ৌনা মাঙজিল থানা চোংথোক্তুনা হোৎনরিবসিনি। হায়রিবশিং অসি লোয়শঙ অমগা অমগা খেন্নজবগী ৱানি। মীয়ামগীদমক মখোয়না পাঙথোক্কদবা দ্যুটি অমসুং ফঙ্কসনশিং লোইনা লৈনরিবনি।

মসি ওইরগদি লোইনমক থৌদাং চাউবা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিং অসিগী হেদ ওফ দিপার্টমেন্টকী থবক থৌরমশিং অসি অকক্নবা লোয়শঙ অদুগী মরম, লোয়শঙদুনা পায়খৎকদবা পোলিসি প্রোগ্রামশিং, টেক্নিকেলগী ওইবা য়াওরল্লগা মদুগী মরমশিং য়াওনা দিপার্টমেন্ট অদুগী মতাংদা মনুং-থিংনা শিৎ-নান্না খঙবা মীওই অমদা শিন্নদুনা পুহনফম থোক্তব্রা? থবক লৌবা মতমদনা লোয়শঙ লোয়শঙদুগী মতুংইন্না লৈরিবা রুলশিংগী মখাদা চপ-চানা লৌই। মরী লৈনবা সবজেক্ট/ত্রেদ/কেটেগোরি অদুগী মতুংইন্না দিগ্রী নৎত্রগা দিপ্লোমা পায়বশিং কৌ-কৌদুনা লৌই। অদুগা অদুগুম্বা সবজেক্ট মেট্টর স্পেসিএলিষ্টশিং ময়াম্না লীংলিবা লোয়শঙশিংগী হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিংবুনা লোয়শঙদুগী মতাংদা ত্রেন্দ হেন্দ ওইদ্রবসু ইন্দিয়ন এদমিনিষ্ট্রেটিভ সর্ভিস নৎত্রগা মণিপুর সিভিল সর্ভিসতগী হেক-হেক থাংজিন্দুনা পুহল্লি। মসি হায় হায়দুনা থাক ৱাংলবা ওফিসরশিং অদুনা লোয়শঙদুবু পুবা ঙল্লোই হায়বা নত্তে। দিপার্টমেন্টতুগী এদমিনিষ্ট্রেশনদা মায়পুনবা ঙল্লোই হায়বসু নত্তে। মীপূম খুদিংমক লোইনা হৈরগা শিংলগা পোল্লকপা নত্তে। তম্লগা, হোৎনরগা, লেপ্তুনা তৌরগা হৈরক্কদবা ঙাক্তনি। অদুবু মতাংসিদা লাক্লিবা ৱাফমদি আই এ এস নৎত্রগা এম সী এস ওফিসরশিংদু থাংজিন্দুনা খিনজিনবমক নৎত্রবদি লোয়শঙ অদুগী মশাদগী হেদ ওফ দিপার্টমেন্টকী ফম অদু থিন্দোক্তুনা পুহনবদা মতিক চাবা অমত্তা লৈত্রবরা হায়বসিনি। মসিগী পাউখুমদদি অকক্নবা লোয়শঙ খরদবুদি হায়রিবা ওফিসরশিংসি শীজিন্নবদা প্রোব্লেম ওইদ্রগসু বেসিক টেক্নিকল নোলেজ য়াওদ্রবদি লোয়শঙদুনা মীয়ামগী থবক পাঙথোকপদা মঙম শাল্লোইদবা ওইরবদি লোয়শঙদুগী হেদ ওইবদা মতিক চারবশিংবু প্রমোসন পীবিরগা পুহনবীবদা য়ারোইদবা তঙাইফদবা মরমশিং লৈব্রা হংলকপা তাবনি। প্রমোসন পীরগা ওইহল্লু হায়বসিদা প্রাইমারি হেল্থ সেন্টর অমগী চৌকিদারবু চীফ মেদিকেল ওফিসরদা প্রমোসন পীবা য়াবা নত্তে। চহী কয়া কোলেজ অমগী পিওন ওইরক্লবনি হায়দুনা মহাকপু প্রিন্সিপালদা প্রমোসন পীরসি হায়বা নত্তে। দিপার্টমেন্টতুগী মরমদা লোইনা খঙদুনা চহী কয়া খূৎপায়নদুনা লৈরক্লবা ৱেল-এক্সপরিয়েন্স লৈরবশিংদুদি হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট ওইহনফম থোক্তব্রা হায়বসিনি। হৌজিক আই এ এসনি নৎত্রগা এম সী এসনি হায়দুনা মনাৎ নত্তনা শঙ্গোম পীজবগী থৌদৌসি লোয়শঙ খরদা থোক্লি। মসিগী মায়োক্তা মখল কয়াগী প্রোটেষ্টশিং তৌনরকপসু য়াওরি। অঙম্বনা তৌবনি হায়দুনা শামু মথুন্দা পেনা খোঙবদৌনা ঈশিং মনুংদা লৈতুম থাদবদৌনা চুপ লুপ্তুনা লৈথোকপসু য়াওরি। মসিদি চুমদে, তৌবা য়ারগসু তৌরোইদৌবা থবকনি। অদুবু তৌফম থোকপদা তৌরক্ত্রিবসিগী মরম্না করিগী ওইরমগদগে? লোয়শঙশিংদুগী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট ওইবদা ক্বালিফাই ওইরবশিংদুনা ৱাচৎ-ৱানোম তৌরক্তবদগীরা, কম্মিস্নর, সেক্রেটরি অমসুং মিনিষ্টর ফাওবশিংগী খূৎচাবী ওইহঞ্জবা ঙমজদবদগী ওইগদৌরিব্রা? তৌরক্লবনিনা মরম অমদি লৈফম থোকই। হেদ ওফ দিপার্টমেন্টকী ফম অদু হাঙলবদি মদুবু পুরম্বা মীওইদুগা হেক থংননা লৈবা সিনিয়র অমদা ইন-চার্জশিং ওইনা পুহনবগী অয়াবদি লোয়শঙ খুদিংগী, পোষ্ট পূন্নমক্কী লৈনরি। অদুবু মসিসু তৌদনা মপান্দগী অমা হেক্তা থাংজিনবগী থৌওংসিদি লম্বোইবদা শমজেৎ পীবগী থৌদৌদু তারক্কনি হায়বনি। লোয়শঙ অমবু ফজনা চলাইবা হায়বসি গ্রেদ ফোরদগীনা খ্বাইগী মকোক অঙম্বদু য়াওনা মরক্তা লৈরিবা পূন্নমক্কী খূৎশম্নবা চংঙই। ঈশিংগা থাওগা তোৎনরগা মঙম শানগদবা নত্তে। আই এ এস নৎত্রগা এম সী এস ওফিসরশিংনা হেক্তমক য়াগদবা ওইরবদি হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টরনা থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা রি-এনগেজ তৌরকই হায়দুনা ৱায়েলশঙ য়ৌনদুনা ৱারু-নুংজু থোক্নখ্রিবদু হকশেল লোয়শঙদগী মহুৎ শিনবীনবা ময়াম লৈরবসু পীদ্রিবা অদুম্মাইনা আই এ এস নৎত্রগা এম সী এস অমা থাংজিন্দুনা হাপত্রিবা করিগীনো হায়নসু হংনরক্লোইদবগী মরম লৈতে।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৮

১) চহী য়াঙ্খ্রেগী মমাঙদা অহানবা ওইনা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম উৎখিবদু করম্বা চহীগী করি থাগী তাং কয়াদনো?

২) "দাদা সাহেব ফালকে ভারত সিনেমাগী অপোকপা" হায়বা মণিপুরীদা হন্দোকপা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু করি লোলদা কনানা ইবনো?

৩) অহানবা মণিপুরী ফিচর ফিল্মনি লৌনরিবা "মতমগী মণিপুর" হায়বা ফিল্মসিগী অয়াম্বা শরুক কদায়দা সেট শারগা নমখিবগে?


৪) John Warrington হায়বা BBC গী Correspondent অমনা মণিপুরী ফিল্ম অমবু "সেল্লুলোইদতা ইবা শৈরেং" (Poem on Celluloid) হায়না শীংথাখি। ফিল্মদু করি ফিল্মনো?

৫) "লাইরিক লাইশু কুমজা সাহিত্য-ইতিহাস" হায়বসি কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩১, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নতেফমদা তেরো হে

### ৱাইরু-ৱাইরুবদা



নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্রগী মণিপুরী টু মণিপুরী এন্দ ইংলিস দিক্সনারি হায়বা লোনগৈ লাইরিক অদু **কবাক খনবা** হায়বা ৱাহৈ অসিগী অর্থ (ৱাহন) অসি ময়া কাথোকহন্দুনা থম্বা হায়না ইরি। ৱালকিং চৎপদা খঙনীংলকপনি কবাক খনবা হায়বা ৱাহৈ অসিগী ৱাহন অসি। ৱাকিং চৎপদা ৱর্দ মিনিং খঙনীং-খঙনীংবা য়াম্না নীংশিংলকই। খদাঙচেৎ লাকপা হায়বা ৱাহৈ অসিমগীসু ৱাহন খঙনীংলকই। ইতোমতা নৈনজদবা খরসু য়াদে। খদাঙচেৎ লাক্লবদি ৱা ঙাঙবা য়ারমগদরা নৎত্রগা য়ারমলোইদ্রা ঐ খঙজদে। ৱা ঙাঙবা য়ারমদৌদি মান্দে। মণিপুরী লোল অসি ইমালোল ওইদুনসু হেক হেক ইতোমতা মথা শাবা য়াওরকই। হংফমসু লৈতবা দিক্সনারি অচৌবা অমত্তসু ইনরক্তবা অসিনি ইতৎ তত্তনা ঐঙোন্দা মথা শাহল্লিবসি। ঐগ্যা কৃষ্ণচন্দ্র শর্ম্মনা চাক থোংবদা খদাঙচেৎ লাকপা উই। মদু খদাঙচেৎ লাকপা হায়বা য়াগদ্রা য়ারোইদ্রা খঙজদে। মদু মানা চাক-ঈশিং চারিবশিংদা চাক-এঞ্জাং য়েনবা মতমদা ৱা ঙাঙনীংলক্তনবরা নৎত্রগা ৱা খরা ঙাঙলবসু হৌনা হৌনা ঙাঙবা য়াদনবরা নৎত্রগনা শোয়দুনা ৱা ঙাঙথোক্লুবদা মাগী তিল-নুং চাক চারিবশিংদা চোংখিদনবরা? য়াম্না ফজবা চৎনবীনি, মহাক্তা নত্তে ঐগ্যা গোপাচন্দ্র শর্ম্মসু অসুম্না য়াম্না মশা নান্না তরু-তহেন্না চাক-ঈশিং য়েনবা খোৎপা তৌজৈ। তৌরাংবমগী ইয়াম্বা অঙৌস্নাসু চাক থোংলক্লিবা কুইরে মাসু খদাংচেৎ ফজনা কন্না অদুম লাকই। মাদি মী মৌ নহা ফজবী মরক্তা চাক-এঞ্জাং য়েনবা খোৎপা তৌবদা ৱা হাইফেৎ য়াম্না ঙাঙবা ইয়াম্বনি। লৈশাবীশিং অমদি মৌশিংগী মপা হেক য়ৌরকপদা মখ্বাংদি তিংখৎলগা চপ লেপ্তুনা কয়া পক্তব্রসু ফাগি জগাই য়াম্না তৌগল্লি, ৱাচোই য়াম্না ঙাঙগল্লি, মানা হায়রিবনি, "এহ্, লৈশাবীশা হোরেলদি ঐ য়াওশঙ থাবল চোংবা কোয়রক্কে, হোরেল চাকচা তোল্লগা মোবাইল নম্বর পীরম্মু।" মমায়দি ইখুই হেক খুইরদনা মৌ নহা মশক ফজবা উবা য়াদে মাগী নুপা নত্তদৌনা মরৈদু কোল্লগা মীগী মৌ নহাদুদা ইতৈমা, নশকতো য়াম্না ফজৈ, পান দুকান ফম্মু, পোৎ য়াম্না শিৎকনি, ঐসু মরক-মরক্তা নুমিদাংৱাইরমদা ক্বা চাবা লাক্কে ককাইনা হেক্তা তৌশিল্লি। কনাগুম্বা মীনদি মাবু অহল থংদা হেনমল্লি নুপী অঙাংদা চগৎ চগৎ য়াম্না তৌই, চোপচৈ, মীৎ নাই হায়দুনা চাক থোংবা নেক্নদ্রবনি। অদুম ওইনমক মহাক খদাং কোম্বদি ইহন হন্দে মাগী পীথোরক্লবা মচৎনি। তাবদা শ্বাই-শ্বাই লাউবা মীনা ফৃধরক্কদবা মানবা ৱাগসু অদুম সরেং থোংবগী বালতিন অদুদগী খাবৈনা ঙা থোংবা কোত্থ-কোত্থরগা হায়দোরকই। খদাঙচেৎনগা খদাঙ কোম্বা থিংবা চৎনবা য়াবা নত্তে। হলা য়াবা নুপা নত্তে তা অঙৌস্নাসু। নোংমা নৎত্রগা নোংমদি মনম তৎলকপসু য়ারি মহাক।

কবাক খনবা হায়বা ৱা অমসু লৈরি, হৌজিক্তা ঐনা মথক্তা হায়রপ ৱা কাঙজরম্মে। হুইগুম্বা চিক্নবা জিব (হিংশক/অহিংবা মশক) অমগী মখয়াৎ অদু লাউনা কাথোক-হল্লগা চৈগুম্বা মতেক অমনা য়ুংনা খাঙগৎহন্দুনা থল্লবদি হুই অদু মী চিকপসু ঙমদ্রে খোংবসু ঙমদ্রেদনা। মীদা কবাক খল্লবসু মহাক ৱা ঙাঙবা অদুম ঙমহনদ্রে।

ৱা য়াম্না ঙাঙবা অসি মীনদি কয়া তানীংদে, থওইনরক্তে। থবক তৌবা মী ওইনা পামনৈ। থম্মোয়নুংগী ৱা নমশিন্নবা তৌবা য়াবা অতৈ খরা অমসু লৈরি, ময়াদা ফিবুল নম্বা হায়রিবা অসিনি, ফি অমা মতুম তাশিল্লগা ৱা ঙাঙগনবা মী অদুগী য়ানুংদুদা গিৎ লাওনা নমশিল্লগা থমখ্রবদি ৱা ঙাঙবা অদুম য়াহন্দ্রে। অফবা অওকপা থবকপুদি নত্তে ঐনা হায়জরিবা ময়াম অসে। ফিবুল নমদ্রসু মচিন্দু খূৎনা কন্না মেনবসু ৱা ঙাঙহন্দনা থম্নবা ফরবা পাম্বে অমনি। তৌবতবু তাইবঙমী অসি ৱা ঙাঙবা য়াম্না পামজবা হিংশক অমনি। থম্মোয়গী মনুংদা লৈবা ৱা অসি মীঙোন্দা তমথোক্লগা অৱাবা অদু খরা কোকচৈ হায়বা তাই। ঐনা ঙাঙবসু তাবীয়ু মীনা ঙাঙবসু তাবীবা ফৈ।

**হঞ্জিন্না হায়জরবদা তাইবঙমী হায়বা অসি পেন্দবা খরা ফোঙদোক্কল্লি।** খুদম অমত্তং পঞ্জরবদা, ঐখোয় নুপীসু তাইবঙ জিব অমা কৌবনিনা মাগী মবুক্লিংগী ৱা পেন্দবা কয়া য়াম্না ফোঙদোক্কল্লি। ঐনা য়ানীংবগসু য়াওরি, য়ানীংদবসু কোঙ্গাই অমা য়াওরি। ঐগীসু পেন্দবা লৈজৈ, ঐসু মসি ফোঙদোকচনীংই। ঐনা মাবু মাগী পেন্দবমখৈ মাগী অপাম্বা মওংদা ফোঙদোকচহল্লি, মানা ফোঙদোক্লিবদু লাল্লগনা লাল্লে, চুল্লগনা চুল্লে কোন্না অমুক ফজনা খন্নরেদনা। ঐ নুপানি ঙম্মে, পৱার পায়রে হায়দুনা মঙোন্দা খক শাওজিনদে। অফবা মপুরোয়বনি হায়বদু তাইবঙপালদা ময়েক শেংনা উৎলম্লগে অদুনা ঐসি য়ারগদি বেষ্ট হজবেন্দনি হায়না গিনিস বুক ওফ ৱর্ল্ড রেকোর্দতা য়াওজনীংলিপোৎনি। মীগী পেন্দবা অসিদি ফ্রীদা লৈজবী থাদুনা ফোঙদোকহনগে অসিনি ঐনা খঞ্জরিসি। সিফাওদি ঙম্মী ঐসু।

**মী অমনা তৌবা থবক্তা মী অমনা পেন্দুনা সুম লৈবা হায়বসি মতম পূন্নমক্তা পেন্দুনা লৈরোই হায়বসিগী মথক্তা ওইসু ওইথোক্লরোই হায়বসি চুমদ-লাক্তবা য়াররোইদৌবা ৱাখল অমনি।** খুদম ওইনা অমুক্কসু হায়জরবদা, ঐনদি অফবনি অফবনি হায়দুনা থবক মখল মথেল কয়া ঐনা ঐগী য়ূমদা তৌজরি অদুবু ঐগী নুপীনদি মদু মমিৎ নারদুনা ঐঙোন্দা পেন্দদুনা খরদি অদুম ঙাঙজৈ। ঐগী য়ূমগী প্রজা অমা ওইনা দাইরেক্ট হায়বনি খঙদে নাকচেক্তগী য়ৈবনি খঙদে। মসিদা ঐনা শাওরুবা য়ারিব্রা? **পেন্দবা অদু ফোঙদোক্লগা মীওইবনা নুংঙাইজৈ। পেন্দবা অদু কোক্নবা মরমসু ওইজৈ।** খুদম ওইনা, মাগী পেন্দবা অদু ফোঙদোকচরগা ঐগী নুপীনা খরা মশা ৱাই শংজৈ। মনাতোন চফুমুক চাউরম্বদু খরা অমুক হন্থজৈ। নৎত্রবদি মাগী মনাতোন চফু অদু নুমিৎ য়ুংবগী নুংশা য়ক লাউনা হাইগৎলকপা মতমদা ফোক লাউনা পোকখায়রক্কদবা মাল্লি।

**পেন্দ-পেন্দনা সুম লৈরগদি ৱাখল নুংঙাইতে, পুন্সি অদু হিংনা হিংনা শিরবগুম্বগী মশকনি।** হিংঙেসু থোক ৱা ঙাঙবসু য়াহন্দনা থম্বা হায়বসি মীনি পুন্সিনি হায়বদা মতিকপু চপ চাবনি। খুদম হায়ববু, ঐগী নুপীসু মতম অমা ঐনা পংলিঙৈ মতমদা মাবু ৱা খরা ঙাঙহল্লমদে। মতমদুদা মহাক মীনাই নুপী অমা মাল্লুরে। হৌজিক্তি মহাক মপু ওল্লে। অসুক ৱানা খদাংদা খদাঙচেৎ লাক্না, য়াদনা কবাক খল্লগা নৎত্রগা য়ানুংদা ফিবুল নম্লগা হিংবা হৌনরিব্রা। ঐবু পোল্লক্লিবা পলেম পম্বৌগী অত্মানা উরগা মচাগীদমক হিক হিক কপচরমগনি।

হিংলগা অচুম্বা অমফাওবা ঙাঙবা শুকফং ফংদনা লৈবা হায়সিদি ৱাখলগী অকায়বা লৈত্রিবা নুপী অমগী মপামদদি মফমদা হনখিব্রা খুল হোংলগা অতোপ্পা নুপা অফবা অমদা নৌনা য়ূম পানখিব্রা অমা তৌগে হায়রক্কনি। অৱাবগী মশকনি অৱাবগী মশকনি।

"নতেফমদা তেরো হে, হা ইপুরোয়বা অঙাওবা হা হয়া হুম হয়া হে ... কু কু কু।" ●

# লল্লোনবা হৈরবদি হিংলদরা

### নবকুমার ওইনা

লমদম অসিদা লৈরবনিনা মীতোপ্তা ওংবা নত্তে হায়না খনবসু ওইবা য়াই, ইচন্দুনা মচাদুলুনা তৌবসি করি হায়রুনি, ঙৌরোক-ঙৌরদনা, তবোব-তবোব, ইচা-ইশু ওইরবনিনা কয়া নুংশিরে। মমাদি সলৱার শেৎলে, মমা-মচানা শেলগী বাক্সি শেন্নরম্বদু উবদা নুংঙাইবা অমদি পোকই। মপানদি মচাবু তম্বীবগী মওংদা লল্লোনবগী অপাম্বা পোক্নবা তৌবসু মাল্লি। শেলদু মশীং থিহল্লি। স্কুলদা অমা অনী থিবা তম্বগা দুকান্দা শেল থিবগা মহাউ অনীসি কয়াদা খেন্নখ্রবনো। শেল হন্দোক-হঞ্জিনসু তৌহল্লি।

কোরোনা লাইচৎকী কর্ফিয়ু মনুংদা পোৎফম ফম্বীশিং লম্বী সরক্তা থোল্লকপা উনরিবনি। নোং ঙান্দ্রিঙৈ মল্লিঙৈদগী ওটোরিক্সো, কারদা, ভান্দা কোবী-হঙ্গাম, খামেন, মোরোক, পেরুক, য়েল্লাং খাও-খাওজাও ময়াম পুনরক্লিবনি। পুলিসনা কোয়তান তান্নবদা লৈরক-খুল্লক য়ৌনা চেন্নরকইবনি। থিংবদি ঙম্বা নত্তে কারদা, ভান্দা ঙা অতেকপা (অচংবা) মোন-মোন পুনরকইবনি। ঙাইহাক্তদা লোইখিবসু য়াওরিবনি। শেন্দোংদু কমদৌবনো খঙদে, গাড়ী ৱাইরকপগীনা কমদৌবা, থাঙ্গাল কৈথেলদা ফল্লম্বদুগা লম্বীদা কোয়চেন চেল্লিবসিগা শেন্দোংদু খেন্নরমগনি খল্লি।

মাগী মাগী লাইবক্কীনি হায়বদি য়াই, ৱাখল-লৌশিংগী মমিদি তাগনি। থাঙ্গাল কৈথেলগী য়ূম-কৈ শাবগী পোৎ য়োল্লিবশিংদি লমদম অসিগী মী ইয়াও য়াওদে। মখোয়গী শেন্দোংদু হঙ্গাম-কোবি য়োনবীশিংনা ফংবা ঙম্বা নত্তে। লাইবক্কী নত্তে, হৈতবগীনি। কোয়তান তান্নবীবগীদি নত্তে। মচা-মশু লাইরিক তমহনবগীনি হায়রিবনি।

লাইরিক তম্বদা নোট তৌরগা অফবা শারগা শেল পীজরগা থবক তৌরগা শেল চাবদুনা শেন্দোং হেনবরা। লাইরিক তম্লগা লল্লোনবা হৈতবশিংনা শেল পায়বগী ৱাদি থাজবা ঙমদেকো। মী অমখক্কী নত্তে, কাঙলূপ-ফুরুপকী ওইনা দুকান ফম্বা হৈত্রি খন্নরিবনি। অসিগুম্বা ফুরুপশিংনা চহী লিশীং-লিশীং লৈবাক অমা পাল্লক্লবনি হায়বসি তাবদা নোকফেৎ তৌবা মীসু লৈগনি। পোৎ লৈবা হৈবদি লায়রদনা য়োনবা হৈতবগী, শক তাখৎপা, ৱাঙাঙদা হুগৎপা য়াওবদগী পোৎ শিত্তদুনা দুকান থোঙ লোনখিবা ময়াম য়াওরবনি। মীওই খরনদি নহাশিংসি য়াম্না হৈরে, আই টি মার্কেটতা চঙবা ঙল্লে হরাওরিবনি। মীওই অনী অহুম্না মীয়ামসি থাকপদি ঙল্লোইদৌরিবনি। মীপূম খুদিং থবক শূবা তারকপদুনি। মরকসিদা মীগী শেল হাৎলগা নুংঙাইবা শাবা মীসু লৈতবা নত্তে। লৈবাক অমগী লৈঙাক অমা লৈরে হায়বগী নুংঙাইবদু মপূং ফানা ফোঙদোকপা ঙম্নদ্রিবসি করিগী ওইফম থোকপগে? থবক শূদবশিংনা ওল্লোনবদা থৱায় য়াওশিনবা হেঞ্জিনবদগী ওইবসু য়াই, থবক শূগদৌবনা থবক শূনদবদগী ওইবসু য়াই। মচা-মশুদা থবক শুহন্দবা মমা মপা য়াম্বদগী ওইবসু য়াই। নহা ওইরিঙৈদগী থবক শূহন্দ্রবদি করি হৈগদৌরি। লাইরিক তম্ববু শেল তানবগীনি হায়বসু য়াওনৈ, লৌশিং লৈরবদি শেল তানগদৌবনি। শেলনা মী লৈবদি য়াদে, মী ওইনবা লাইরিক তমগদৌবনি। মীনা মী ওইদ্রবদি লৈবাক অমা পানবা ঙমদে। মশাগী লৈবাক লৈতনা লৈঙাক পায়বা পাম্বা ময়াম্না কৈদৌননি। লল্লোনবা হৈবগী শেল ময়াম পায়রগা কৈদৌননি। শেল য়েল্লগা ভোট কারগা মী লল্লোনবা ওন্থোক্নরক্লি হায়গনি। হৌজিক্তি লৈঙাক পায়বসি লৈবাক্কী শেল শীজিন্নরগা শেন্দোং তানবা কাঙবু ওইনা উনরে। পোত্থোক লৈতনা লল্লোনবা য়াওরি হায়বসি নোক্লিংবা পোক্নরবনি। মরোয় ফাও চাবা কোন্ননবা থাবা হৈরবা নৎত্রি।

শেলসিবু কমদৌনা শেল্লিবনো, কয়া নমগনি কনানা হায়রিবনো? মীওই খরনা তূমিন-তূমিন পংনমদা নমলিবজাৎলা? তুরেলদা বোড়া-বোড়া থাদনরকপা য়াওখ্রবনি। দিমোনেটাইজেসন তৌবা করিগীনো হায়বা হঙ্গাম য়োনবীনা খঙবা নত্তে, নুপী অয়াম্বনা খঙলমদৌ মান্দে, নুপাসুনি। শেলগী ভেল্যু হন্থরকইবসি শেল হেন্না শেম্বগীনি হায়বনি। থবক শূদবদগী চানবা তাঙখৎলকইবনি, তোলোপ চাবশিংনা পোৎকী মমল হেন্না পীবা তারকপনি। থবক শূবশিংনসু পোৎকী মমল হেন্না হেন্না লৌগনি হায়রিবসি পীবা তারকইবনি। থবক শূফমগী মীনাই অদুম মাল্লকইবনি। তোলোপকী ষ্ট্রাইক তৌবা য়াওরিসিনি। হঙ্গাম কোবীগী মমল হেনগৎকদৌবনি হায়নদি ষ্ট্রাইক তৌনদ্রি।

পুন্সি লল্লোনবা হৈতবনি হায়গেরা, শেল তানবা হৈতবনি হায়গেরা, থবক শূবা হৈতবনি হায়গেরা, লাইরিক হৈতবনি হায়গেরা, পঙবনি হায়গেরা, লৈঙাকপা হৈতবনি হায়গেরা, পাংদবনি হায়রিব্রা অমদি ওইরনি। মরৈবাক লৈবা হীনদে। মালেমদা মরৈবাক লৈবনা পুন্সি লেনবা মী মশীং য়ামখৎলকইবনি। মরৈবাক্তা লৈতবা মীসু য়াম্মী, মরৈবাক শেম্বা ঙমজদবসু য়াম্মীবনি, চংশিল্লক্লগা মরৈবাক ওইরবশিংনা লল্লোনবগী থবকসু পায়শিনখ্রিবনি। মীগী দুকান্দা লল্লোনবা তম্লরগা (পোৎ য়োনবা য়াওবা) লল্লোনবা হৈরনি হায়বদি য়াদে। লল্লোনবা হৈতবসু, হৈরে খল্লিবা খরা অসিনা লৈবাক পুবা ঙম্লগনি হায়বা য়ারদরা। ভোট লেপ্পা মুন্নরিবশিংনা মদু খঙলদরা, ভোট লেপ্লগা দুকান চাউনা-চাউনা হাংবসু লৈরে। দুকান ফম্বসিসু মুন্নগদৌবা অমনি, দুকান য়োল্লগা ভোট লেপ্পসু লৈ। মুৎপসু লৈরবনি।

লমদমসিগী মপুনি খঞ্জবশিংনা থবক শূদে, মীতোপনি হায়বশিংনা লৌ উগনি, য়ূম শাগনি। লৈঙাক্কী থবক তৌগনি, ওজা ওইগনি, পন্দিট ওইগনি, লৈঙাক পায়শিল্লক্কনি। কছারদা লৈবা মণিপুরীদি লম য়োল্লগা চাবা য়াওশিল্লক্লে, বাংলাদেশতা মুৎলে, ত্রিপুরাদা য়ামদে, ম্যান্মারদা জাৎ ওনখ্রে। চাবা পুবা ৱারে হায়বা য়াওরে। কেনাদাদা চৈরাওরি, থাইলেন্দদা থাবল চোংলি হায়রগা হিংগদৌবদি মান্দে। শান্নবা হৈ, জগোয় হৈ হায়রগা হিংলনি হায়বসু য়ারোই। থবক শূবসু হৈত্রি, থবক শূনবগী লোনচৎপু হৈত্রি "মাগী থবকসি শূদ্রবসু য়াই" হায়বা ৱাঙাঙ অমা য়াওরি। শেললৌবসু হৈতে, মীগী তুং ইল্লগা নিংথৌ মচা মাল্লগা শেল তাল্লিবা য়াওরি।

অমরা অমরা মীগী দুকান্দা পোৎ য়োনবা য়াওবসু লল্লোনবা য়াওবনি হায়রসি। য়োনবা ফাওবদি হৈরে হায়গেরা, পীবদি হৈরে হায়রবসু শেল পায়রুবা নৎত্রি। অতোপ্পা ষ্টেটতা থবক শূবা য়াওবা ময়াম্না কোরোনা পুরগা লাকখিবা কাউবা য়াবা নত্তে। চাকহাও খরা, শীং-য়াইঙং খরা য়োল্লগা লল্লোনবা হৈরবনি হায়বদি য়ানরোই। ফি শাবী মশীংদগী ফিয়োনবী মশীংনা য়াল্লম্বসু য়ারি। ফিগী পোৎফম ফম্বগী মরম শোরাৎ খূৎশোনগা মরী লৈনরম্বসু য়াই। লুহোংবদা, শোরাত্তা শেল থাবসি মালেমগী মফম অতৈদা লৈবা নত্তে। লল্লোনবগী ৱাখল-লৌশিং লৈরবগী নত্তে, সনা য়ানবগী চৎনবীসু শেল পায়বগী-পায়দবগী শাজৎ নত্তে, অরুপ্পা ময়াম য়াল্লগা ফজবনি খনবসু নাট অমনি। লাইদা এলুমিনিয়মগী সনা য়ানবীরিবনি, কের-কেরগা উমংলাই মানবসু হায়নরিবনি। নুপীশিংগী কেবসি ম্যান্মারগা য়াম্না মান্নে। মালেমগী মফম কয়াগসু মান্নদে। অরিবা নাট ওইনা লৈরিবনি, লৈশা নম্বসু অরিবা নাটনি। চানবা লল্লোনবদগীদি কেনবা পোৎ লল্লোনবনা শেল তোংবা হেল্লিবনি। সনা য়াম্না য়ান্নরিবসু তম্পাক্কীমফম খরদতনি, চীংদা (৯০%) চৎনবগা মান্নদে। পুন্সি লল্লোনবা লাকপদা শেন্দোং তানগে খল্লুবা...? হায়বসি লাইশোন ঈশৈ ওইনা তারিবনি, লল্লোনবা হৈবগীদি মান্দে।

লল্লোন্দে হায়বদি য়াবা নত্তে, কানি কেজি-কেজি লল্লোনবা হৈরবনি। রো মেটেরিএল লৈরবদি পাওদরগী ফেক্টরি লৈরক্লবনি। চুগী চিনিগী ফেক্টরিনা মুৎখ্রিবনি, সিমেন্ট ফেক্টরি তোয়খ্রিবনি। মিনিষ্টর ওইনরিবসি চহী ৫/৫ (থা তরুক্কী য়াওশিল্লক্লি) ওইনবগী ফবগী ওইনা খন্নবগী ৱানিকো। পূম্না য়েংলবদি লৈবাকসি পূম্মুৎ মুত্থৎলিবসিদি মখোয়না লৈঙাক লল্লোনবদা শোয়বগীনি শোয়দনা হায়গনি। স্কুল ময়াম লিংখৎলগা ওজা ময়াম পঙহাপ্তা হাপচিনবসিসু লল্লোনবা ওইরম্মেদনা। ওফিস খুদিং লল্লোনফম ওন্থোকখ্রে। মী অমনা হায়বা নত্তে, মী ময়াম্না থাজনরিবা অসিনি। মসিগী ৱাখল্লোনসি থুপচিনবা ঙমদ্রিবমখৈ মীনি হায়বা য়াখিরোই, লৈবাক অমা ওইনা পানবা য়াখিরোই হায়নরিবনি। জপানগুম্বা, কোরিয়াগুম্বদা শিদ্রিবা ফাওবা থবক শূই, লমদমসিদনা থবক্তি শূদবা লল্লোনবা ঙাক মানশিল্লক্লি। ফার্মর লৈরবা নৎত্রি, কনানা করি থাগনি খঙবা নৎত্রি। অপাম-অপাম্বা থাবগী চাংয়েংদা ঙাওনরি। লম্বী য়াদ্রি, পোৎ য়োনবা য়াদ্রি। লল্লোনবা হৌরে হায়বা য়াদ্রি, কনা হৈরে হায়বা য়াগদৌরি। কোফি, চুজাক, হৈনৌ, য়োংচাক্তং থাবদা থবক ওইবা য়ারিবনি। ফদিগোম ফাওবা থাগনি খন্দনা চারিবা হায়বসিগী নাপলদুনা তাক্লিবসি ত্রাইবেলনি হায়রিবনি। মী অমনা, লম অমনা থানীংবা পংথাদা থাবা য়াহল্লোইদবনি। মদু শিনবা ঙমদনা চিঙাক্কী লল্লোনবা হৈরে হায়বা য়াখিরোই। চাবগী শিনবা হৈত্রিঙৈ (পুশিল্লক্লগা চাগনি খল্লিঙৈ) চাবগী লল্লোনবা হৈত্রি, শেৎপগী লল্লোনবা হৈখিরোই। চাবা-শেৎপগী য়াওদনা কদায়দগী নোংমৈগী ৱা, রোকেটকী ৱা য়াওরদগে? ●